**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুরদা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমি অকনবদগী য়ামা কনবা অখাক অরাউ য়াওবা নোং চুরগনি।

২) নোংলৈ নুংশি রেমালগী য়েংলগা ভারত নেভিনা অৱাবা তারবশিংদা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবা নিংথিনা শেম শারে।

৩) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসনগী ফল হয়েং নুংথিল লাউথোক্লগনি।

৪) লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোন্থগী থবক কনখৎলক্লি।

অমসুং

৫) গুজরাতকী রাজকোটতা থোকখিবা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীওই ২৭ শুরে, এস.আই.টিনা থিজিনবা হৌখ্রে।

------

সাইক্লোন ঃ বঙ্গোপ সাগরগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরম্বা রেমাল সাইক্লোন্না হৌখিবা পুং খরা অসিদা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা চংশিল্লক্তুনা বঙ্গলাদেশকী খেপুরাদগী খা অমদি খা নোংচুপ থংবা মাইকৈদা চংশিল্লক্লে। ঙসি

অহিং সাইক্লোন অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সাগর আইলেন্দ অমদি বঙ্গলাদেশকী খেপুরা অনি লান্না চৎখ্রগনি। সাইক্লোন রেমালগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মণিপুরদা ঙসিদগী হৌরগা মে ২৮ ফাওবা অখাক অরাউগা লোয়ননা মফম খরদা অকনবা অমদি য়ামা কনবা নোং চুরগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়- সাইক্লোন রেমালগী চৈথেং ওইনা মণিপুরদা ঙসিগী ওইনা নুংশিৎ শিৎপগী চাং অসি পুংদা কিলোমিতর ৪০ ফাওবা ওইরবা মতুং হয়েং খরা হেন্না য়াংশিল্লক্কুনা নোংগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিতর ৬০ ফাওবা শিৎকনি। অদুবু মে ২৮ দা অখাক অরাউগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী মফম খরদা অকনবা নোং, পুংদা কিলোমিতর ৪০ ফাওবা নুংশিৎ য়াওনা চুরগনি। মেট দিপার্টমেন্টনা মখা তানা হায়- নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা লম্বী শোরোক্তা উবগী চাং হন্থরক্কুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা মায়োকগনি। মসিগা লোয়ননা মীয়ামা বজ্র তারকপদগী ঙাকথোকবা কাংলোনশিং ঙাকা চৎনবসু খঙহল্লক্লি। পনবা য়াবদি, সাইক্লোন অসিনা মরম ওইরগা কোলকাতাগী এয়ারপোর্ট ওথোরিতিনা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে। ইন্তরনেসনেল অমদি দোমেষ্টিক্কী য়াওনা ফ্লাইট ৩৯৪ কেন্সেল তৌখি।

নেভি ঃ নোংলৈ নুংশি রেমালগী য়েংলগা ভারত নেভিনা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীনবা নিংথিনা শেম শারে। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা অমাং অতা থোরকপা মতমদা তেংবাং পীনবা মেদিকেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়াওবা জহাজ অনি ভারত নেভিনা থৌরাং তৌদুনা থমলে। মসিগী মথক্তা সি কিং, চেতক হেলিকোপ্তর অমসুং দোনিয়র এয়ারক্রাফট য়াওনা ইন্দিয়ান নেভেল এভিএসনগী পোৎলমশিং ষ্টেন্দবাই ওইনা থমলে। কোলকাতাদা স্পেসিয়েল দাইভিং টিমশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরে। বিশাখাপতনমদসু তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়াওনা দাইভিং টিমশিং থৌরাং তৌদুনা লৈরি। কোলকাতাদা মেদিকেল য়াওনা তেংবাংগী পোৎলমশিংগা লোয়ননা ফ্লড রিলিফ টিম অনি থমলে। মসিগী মথক্তা বিশাখাপতনম অমদি চিলকাদা ফ্লড রিলিফ টিম অমমম থৌরাং তৌদুনা লৈরে।

সুক (এল)ঃ রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা মহৈ মশিং তম্বগী লমদা খুদোংচাদবা লৈরবদি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্তা খঙহন্‌বীরকউ। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা অৱাবা তারবা মীওইশিংনা মহৈ মশিং তম্বদা খুদোংচাদবা লৈরবদি মহৈরোই লুপ অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। মহৈরোইশিংগী অঙম্বা মতেং পাংজগনি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মহৈরোই লুপ অসিনা লেপ্পা লৈতনা লাঞ্জেল্লকপা মহৈরোইশিংগীদমক মতেং পাংদুনা লাকপগী মনুং চন্না ঙসিসু কে.পি. কলেজ রিলিফ কেম্প- হিয়াংথাং, শমুরৌ গভর্নমেন্ট হাইস্কুল, ময়াং ইম্ফাল চরোইপুং রিলিফ কেম্প অমদি লফুপাৎ তেরা হাইস্কুল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোইশিংদা মহৈ তম্বদা চংবা পোৎলমশিং অমদি শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং তেংবাং পীখ্রে।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নিংথৌখোংগী মফম কয়াদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োকরে হায়রি। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- হৌজিক ৱারবা মতম অসিদা ঈশিংসু শেল তিংনা লৈবগী ফিভম অমা লাকপা অসিদা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েংশিনহন্নিংবগী অপাম্বা মফম অদুগী মীয়ামা ফোংদোরক্লি। লোক্তাক পাৎকী মনাক্তা লৈরিবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর থার্তিন অসি লোক্তাক পাৎকী ময়াদা লৈজরবসু অফবা থক-চানবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োকরে হায়রি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ থা অসিগী ১২ দগী হৌদুনা কিদস কলচরেল একাদমি ককচিংদুনা শিন্দুনা একাদমি অসিদা চথুরকখিবা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা কিদস ডান্স ৱার্কসোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

পারিক্ষা(এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমসি চহিগী হায় স্কুল লিভিং সার্তিফিকেস একজামিনেসনগী ফল হয়েং নুংথিল লাউথোক্লগনি। মার্চগী তাং ১৫ দগী হৌদুনা মমাং থাগী ৮ ফাওবা চথুখিবা পরিক্ষা অদুদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না শরুক য়াখি।

মসিদা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং

১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ না পুন্না সেন্তর ১৫৪ পরিক্ষা থাখি।

ডাক্তর (এল)ঃ মোরেগী সব-দিভিজনেল হোস্পিতালদা মথৌ তৌরিবা ডোক্তর অমবু সেকুরিতি পার্সোনেলশিংনা গাড়ি চ্যেক তৌবগী নমাদা অকি অখণ্ড পীরকপগী থৌওং মণিপুর মেদিকোজ য়ুনিয়ন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ত্রাইবুনেল মরিং মেদিকোজ য়ুনিয়নগী জ্বেনাইল মেম্বর ডাঃ কে. বেনেদিক মরিংনা হায়-থা অসিগী ২৪ গী নুমিদাংদা কোনুং মমাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা গাড়ি চ্যেক তৌবগী নমাদা অকি অখণ্ড পীরকখিবা লাইবক থিবনি। ডোক্তর মশানা মহাক ডোক্তরনি হায়না শক তাকচরবা ফাওবদা তাবা য়াদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নরকখিবা অমদি মখোয়না উৎলকখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা থবক লৌখৎনবা মুখ্য মন্ত্রিদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

অমরোমদা, থৌওং অদুবু জেনিমস ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু।

দ্রাইভ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কমিতিগী নৌনা খল্লবা চেয়ারপার্সন অমদি মেম্বরশিংগা লোয়ননা জিলা অসিগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারগী ষ্টাফশিংনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলা পরিষদকী ওফিস শিৎ শেংখ্রে। থৌরম অদুদা ওফিসকী অকোইবদা উ চারাশিংসু থাখি।

তুরেল (এল)ঃ ইকো নেটৱার্ক হৈরোকা লেপ্তুনা চত্থরকপা হৈরোক-ৱাংজিং রিভর রিজ্ভিনেসন কেম্পেনগী মনুং চন্না ঙসিসু তুরেল শেংখ্রে। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- হৈরোক পার্ট থ্রি চম্প্রা থোং ৱাটর রিজাভর টেঙ্ক মমাংদা অমোৎ অকায় কয়া লৈশিল্লকপা অসি ঙসি কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিং য়াওনা ইকো নেটৱার্ক হৈরোক্কী থৌমীশিং শিৎ শেংখিবনি। হায়রিবা ৱাটর রিজার্ভর অসি ঈশিং চিংখৎনবা হোৎনবদা

অকায়বা লাকপদগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।

তমেংলোং (এল)ঃ জেমি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী জেমি রুৰাংদিকিদা পাঙথোকখ্রে। সিল্ড য়োর পাথ টু সকসেস হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা একালব্যা মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমদি ত্রিনিতি পাব্লিক স্কুলগী ওজা অনিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। মদুদা মহৈরোই ৯০ রোমনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা হন্দক হায়দোকখিবা সি.বি.এস.ই অমদি কোসেমগী পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা জিলা অসিগী মহৈরোই ১৭ পু পুকিং থৌগৎখি।

এৱারনেস (এল)ঃ মৈহৌ লাংপোক, য়ুহার হাবা, ঈশিং ঈচাউ অমসুং অশোক অপনদগী করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি অপুনবা নহারোলগী শক্তি, কোঞ্জেং লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ১২ শুবা এন.দি.আর.এফ বত্তাল্লিয়ন- ইতানাগর, ৱান ত্বেন্তি টিম ইম্ফাল অমসুং অপুনবা নহারোলগী শক্তি- কোঞ্জেং লৈকাইনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা মীওই ১০০ রোম শরুক য়াখি।

প্রোটেষ্ট (এল)ঃ অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিংবু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চলহল্লু হায়দুনা ঙসি অসামগী হোজাই জিলাদা লৈবা নন্দপুর চরালিদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল অসাম য়ুনিতনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অসামদা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী শক্তমবু কঞ্জনবগীদমক সেদ্যুল ত্রাইব ষ্টেটস পীবীনবগীদমক ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল অসাম ষ্টেট য়ুনিত, হোজাই দিষ্ট্রিক্ট কমিতি, অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ ব্রহ্মপুত্র ভেল্লি, অসাম প্রদেশ মণিপুরী এসোসিয়েসন, য়ুনাইতেদ মণিপুরী এসোসিয়েসন অসামনা শিন্দুনা ৱাকৎ মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

ক্বিজ (এল)ঃ সেখ বাবুমচা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী শেন্থুং মখাদা চথখিবা অনিসুবা ক্ষেত্রিগাউ রিটর্ন ক্বিজ কম্পিটিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। য়ুনাইতেদ য়ুথ ওফ

ক্ষেত্রিগাউনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা কম্পিতিসন অদুদা মহৈরোই ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা এল. চন্দ্রকিশ্বর সিংহ মেমোরিয়েল ফাষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫, টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা এস.ও.সি.দি.ই.সি ৱাংজিংনা কংলৈ এফ.সি থৌবালবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চঙখরিবা ১৭ শুবা এন. বলানন্দ সিংহ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর সভেন্তিন বোইজ ফুটবোল লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.জি.ই.এসনা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে। অমরোমদা, লিগ অসিগী ঙসি শান্নগদবা সাই-এস.এ.জি উৎলৌ অমদি সি.আর.এ.য়ু অনিগী মেটচ শান্নখিদ্রে।

ফুটবোল-১(এল)ঃ য়ুথস ক্লব বর্ম্মাপুরনা শিন্দুনা চঙখরকপা ১৬ শুবা ৱাই.সি.বি ফুটবোল টুরনামন্তেকী ৱিন্নর ই.এস.য়ু টিম-এনা ওইরে। বি.এফ.সি কোংবনা তুরনামেন্ট অসিগী রন্নরসঅপ তারে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ই.এস.য়ু-এনা বি.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি। তুরনামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়ার ই.এস.য়ু-এগী সি.ঐচ. খ্রাষ্টনা তাখ্রে, অদুগা বেষ্ট স্কোররনা মংজিল এফ.সি বামোন লৈকাইগী অসিফনা তাখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা এ.দি.সি ককৱানা ওইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ অহানবা ওইনাম চার্লি মেমোরিয়েল অন্দর ফিফতিন বোইজ সোক্কর তুরনামেন্ট শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নবদা তায়াই এফ.সি নম্বোল খাথোংনা মিংগল ক্লব লিলোং চজিংবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

কাংঃ		ৰাবগাই অৰাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোল কাংশঙদা চত্থরিবা ২৪ শুবা অরান্বম সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন নোকআউট কেন্দ্র ৰাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নগদবা মেটচতা শিংজমৈ কেন্দ্র কাংখুৎ লাক্তবদগী দব্লিউ.এ.এল.ৰাই.দি.এ ৰাবগাই কেন্দ্র কাংখুৎনা ৰাঙ্ক ওভর ফংখ্রে। হয়েং ধ্রুবতারা ৰাবগাই কেন্দ্র অমসুং য়াইওইবী হিয়াংলম কেন্দ শান্নগনি।

ভোট ঃ	লোক সভা মীখলগী ৭ শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট খোন্বগী থবক কনখৎলক্লি। রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিং অমদি ষ্টার কেম্পেইন্নর কয়ানা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ঙমজবি থাক্তা ভোট খোমবগী থবক চত্থরি। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ৭ অমসুং য়নিয়ন তেরিতোরি অমগী লোক সভা কেন্দ্র ৫৭কী মীখলগী ভোট মথং থাগী ১ দা থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা পুন্না মীরেপ ৯০৪ না লন্বা থেংনগনি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিসু উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রিনা মিরজাপুর, ঘোসি অমসুং বাসগাওদা পাঙথোকপা রেল্লিশিংদা শরুক য়ারি। উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অধিত্যানাথসু মিরজবুর , চন্দৌলি, গাজিপুর অমসুং গৌরাকপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সহানা ঙসি এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদমক করাকৎ অমসুং সসারাম লোক সভা কেন্দ্রশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ভোট খোমখি। বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দাসু ঙসি জহেন্নাবাদ, অরা অমসুং নালমদা লোক সভা কেন্দ্রশিংদা ভোট খোমখি। জে.দি.য়ুগী প্রসিদেন্ত অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিস কুমার, এল.জে.পি রামবিলাসকী মকোক চীরাক পাসৱান অমসুং অতৈ এন.দি.এগী লুচিংবা কয়াসু মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। আর.জে.দি , কংগেস অমসুং লেফট দলশিংগী গ্রান্ত এলাইন্সতা য়াওরিবা লুচিংবশিংসু ঙসি মীখলগী মীতিন কয়াদা মখোয় মখোয়গী দলগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি। আর.জে.দিগী লুচিংবা তেজস্রুই প্রসাদ য়াদব অমসুং বিকাসসিল ইন্সান পার্টিকী মকোক মুকেস

সাহনিনা বক্সার , নালান্দা , অরা অমসুং পাতলিপুত্রা লোক সভা কেন্দ্রশিংদা আর.জে.দি অমসুং সি.পি.আই -এম.এলগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি। আম আদ্মী পার্টিগী মকোক আরবিন্দ কেজ্রিৱালসু ঙসি পঞ্জাবকী বাতিনদা লোক সভা কেন্দ্রদা ভোট খোমখি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেসু ঙসি বিহারগী মোহানিয়া অমসুং পাটনাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। সেনিয়র কংগ্রেস লিদর রাহুল গান্ধিনা হিমাচল প্রদেশকী নহান অমসুং সিরমাউরদা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংখি।

গুজরাত ঃ গুজরাতকী রাজকোটতা থোকখিবা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা লৈখিদবা মীওই ২৭ শুরে, থৌদোক অদু এস.আই.টিনা থিজিনবা হৌখ্রে। গুজরাতকী গৃহ মন্ত্রি হরস্তা সংভিনা ঙসি থৌদোক থোকফমদা চত্তুনা ফিভম য়েংশিনখি। মহাকা পাউমীশিংদা হায়- লাইৱক থিবা থৌদোক অসি মতৌ করমা থোকখিবনো হায়বগী মতাংদা কুপা থিজিল্লগনি। কনাগুম্বা চেন্নরম্বা তারবদি মতিক চাবা আইনগা চৈরাক পীগনি। মহাকা মখা তানা মৈ চাকপগী থৌদোক অসি ৱেলদিং তৌবগী থবক শেন্নরিবা মীওই অদুনা মথৌ মশক খঙদবদগী থোকখিবনি হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা থাজনবা লৈরি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাংদগী হৌনা এস.আই.টিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে। পুলিসনা গেম জোন অসিগী মপু য়াওনা অতোপ্পা মীওই কয়া অমা ফাগৎতুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে। গুজরাতকী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলনসু ঙসি অয়ুক রাজকোটতা চত্তুনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মী কনবগী থবক চথরিবা অদু য়েংশিনখি। সরকারগী মাইকৈদগী রাজকোট সিভিল হোস্পিতালদা ফমুং ১০০ লৈবা বর্ন ৱার্দ অমসু হাংদোকখ্রে।

------